**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 17-04-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) দোনর মন্ত্রালয়গী মখাদা পায়খৎপা থবক থৌরমশিং দোনর মন্ত্রি জ্যোতিরআদিত্যা সিন্দিয়ানা ঙসি ইম্ফালদা লাক্তুনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

অৱাং নোংপোক লমদমদা শান্ন-খোৎনবা হেন্না চাওখৎহন্নবগী মতাংদা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমসু পাঙথোকখ্রে।

২) মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু হয়েং গুদ ফ্রাইডে পাঙথোক্কনি। লুচিংবা কয়ানা পাউজেল পীরক্লি।

৩) কয়াকল্প মনা ফংলক্লবা কাংপোকপী অমসুং ককচিং জিলাগী হেলথ ৱার্করশিংবু ঙসি তরামা ওকখ্রে।

৪) সুপ্রিম কোর্টনা হায়রি- ৱাকফ এমেন্দমেন্টকী শেমদোক্লবা এক্টকী মতুংইন্না মে ৫ ফাওবা অনৌবা ৱাকফ এপ্পোইন্টমেন্ট অমত্তা লৌবা য়ারোই।
অমসুং

৫) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- লৈবাক অসিদা চথরিবা তোঙান তোঙানবা ওপরেসনশিংনা সি.আর.পি.এফনা চাউরবা থৌদাং লৌরি।

------

মন্ত্রি (এল)ঃ দোনর মন্ত্রালয়গী মখাদা পায়খৎপা থবক থৌরমশিং দোনর মন্ত্রি জ্যোতিরআদিত্যা সিন্দিয়ানা ঙসি ইম্ফালদা লাক্তুনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

ঙসি নুংথিল ইম্ফালদা থুংলখিবা মন্ত্রিনা রাজ ভবনদা চত্তুনা রাজ্যপাল

আজয় কুমার ভল্লাগা উন্নখি। মন্ত্রিনা ইম্ফালদা থুংলবদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা মন্ত্রিনা হায়- মহাক্কী খোঙচৎ অসি মরুওইনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরবু চাওখৎ লম্বীদা মাংজিল থানা চংশিন্নবা হোৎনরিবা অসি য়েংশিনবা লাকপনি। মসিগী মতাংদা মহাকা রাজ্যপাল য়াওনা মীফম কয়ামরুম পাঙথোক্কনি।

মণিপুরগী নোংমগী খোঙচৎতা ঙসি থুংলখিবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি অসিবু বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতা রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি পি.কে. সিংহনা তরামা ওকখি।

ইম্ফালগী রাজ ভবনদা পাঙথোকপা মীফম অমদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি অসিনা রাজ্য অসিবু চাওখৎনবগীদমক হিরম খরদা হেন্না মীৎয়েং চংননবা হায়খি। মদুগী মনুংদা হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফট, স্পোর্টস, তুরিজম, ইন্তরনেসনেল ত্রেদ, লৌউ শিংউ, মরুওইনা লমদম অসিদা পাল্ম ওইল থানবা অমদি নেসনেল হাইৱেশিং চাওখৎনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া পুখৎখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ওফিসিয়েলশিংদা মরুওইবা প্রোজেক্টশিং- য়ুনিভর্সিতি, মণিপুর আই.টি, এস.ই.জে, মেন্টেল হোস্পিতাল, মেটরনিতি অমসুং চাইল্ড হোস্পিতালনচিংবা মরুওইবা প্রোজেক্টশিং খোঙজেল য়াংশিনহন্নবা খঙহনখি।

কেন্দ্রগী মন্ত্রি অসিনা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা অৱাং নোংপোক লমদমদা স্পোর্টসকী লমদা হেন্না চাওখৎহন্নবগী মতাংদা পাঙথোকপা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমদা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা মিজোরমগী মুখ্য মন্ত্রি, নাগালেন্দগী উপ-মুখ্য মন্ত্রি, মেঘালয়গী এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেটরি অমসুং স্পোর্টস বিভাগকী জোইন্ট সেক্রেতরি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা অৱাং নোংপোক লমদমদা শান্ন-খোৎনবগী লম হেন্না চাওখৎহন্নবা ৱাফমশিং খন্নখি। কেন্দ্রগী মন্ত্রি অসিনা ত্রেনিং অমসুং কোচিং, হৈথোই শিংথোইবা শান্নরোইশিং খঙদোকপা, কোচিং সেন্তরশিং লিংবা, পি.পি.পি মোদেলদা শান্ন-খোৎনবগী লমশিং শেমগৎপদা অহেনবা মীৎয়েং চংবা, ইনফ্রাষ্ট্রকচর চাওখৎহনবা অমসুং শান্ন-খোৎনবগী লমদা নুপীদা অহেনবা মীৎয়েং চংননবা খন্নখি।

গুদ ফ্রাইডে (এল)ঃ প্রভু যিশু পাং তিংদুনা হাৎখিবা নুমিৎপু নিংশিংদুনা মালেম শিনবা থুংবদা হয়েং গুদ ফ্রাইডেগী থৌরম পাঙথোক্কনি। খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংনা নুমিৎ অসিদা চর্চতা চত্তুনা লাইশোল সভা পাঙথোকৈ।

গুদ ফ্রাইডেনা লাকপদা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা মীয়ামদা মরুওইনা খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা শ্রী সত্যবর্তনা হায়- প্রভু যিশুনা কৎথোকখিবা অদু নৌহৌননা নিংশিংহল্লি। হৌজিক্কী চরাংনবা মতম অসিদা মহাক্কী ঙাকপিহৈবা পাউজেল অদুনা মীপুম খুদিংমকপু অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন শাগৎপদা লমজিংলসনু। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মীপুম খুদিংমক্তা শান্তি, অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন চেৎশিনহন্দুনা তুংদা লাক্কদবা পুন্সিদা অফবা পীনবা ওইরসনু।

হান্নগী মন্ত্রি অমসুং এম.এল.এ য়ুমনাম খেমচান্দগী পাউজেলদা হায়- খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংগী গুদ ফ্রাইডে নুমিৎনা লাকপদা লমদম অসিদা খুন দামিন্নরিবা ফুরুপ মশেল মরক্তা নুংশি চান্নবা অমদি তংদু লৈতাবা পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা নোনে জিলাগী কোব তুপুলদা মফম অদুগী খুঞ্জাশিংগা লোয়নননা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা লুপশিংগী মীহুৎ ৭ না শরুক য়াখি। মীফম অদুদা খুঞ্জাশিং অমসুং সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিংগী মরক্তা হেন্না পাউ ফাওনদুনা তেংবাং পীননবসু কুপা খন্নখি। মীফম অদুদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলকপদা খুঞ্জাশিংনা শৌগৎপীবা, নহাশিংগী ওইবা ট্রেনিং কয়া পীবগী মতাংদসু খন্নখি।

মেলা (এল)ঃ বোর্দ সেক্যুরিতি ফোর্স (বি.এস.এফ)কী থৌনা পার্সোনেলশিং ইকায় খুমবগী শরুক অমা ওইনা বি.এস.এফকী ১০ শুবা বত্তাল্লিয়ন্না শিন্দুনা বি.এস.এফ পেন্সন মেলা ঙসি চুরাচান্দপুরদা লৈবা বত্তাল্লিয়ন অসিগী পিছ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা বি.এস.এফতা

থবক তৌরম্বা পার্সোনলে ৬০ হেনবনা শরুক য়াখি। মেলা অসিগী শরুক অমা ওইনা থবক্তগী পোত্থারবা বি.এস.এফ পার্সোনেলশিংগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখি।

এৱার্দ (এল)ঃ  কাংপোকপী জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার মহেশ চৌধরিগী লীচিং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কাংপোকপীনা শিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল এৱার্দ ফেলিসিটেসন প্রোগ্রাম (কয়াকল্প ২০২৩-২৪, ২০২৪-২৫) হায়বা থৌরম অমা দি.সিগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দি.সি. মহেশ চৌধরিনা হায়- হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রালয়গী মখাদা মনা অসি লনাই অমসুং মীয়ামগী হোস্পিতালশিংদা পীবনি। মনা অসি স্বাচ ভারত মিসনগী ৱাখল্লোনদা য়ুম্ফম ওইরগা হায়রিবা হোস্পিতালশিং অসিদা লু-নানবা অমসুং তিঞ্চং কাইজংদনবা থন্বা কয়াদা য়েংলগা পীবনি। দি.সিগী মাইকৈদগীসু হোস্পিতালগী মথৌ তৌরিবা কর্ম্মচারিশিংনা লু-নান্না থমবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাংশিংবুসু থাগৎপা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা দি.সিনা খনগৎলবা প্রাইমারি হেলথ সেন্তর অমসুং সব-সেন্তরশিংদা সার্তিফিকেটশিং য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি ককচিংনা শিন্দুনা কয়াকল্প পার্তিসিপেন্টস অমসুং এৱার্দিস কম দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ক্বালিতি এসুরেন্স কমিতিগী মীফম ককচিং ম্যুনিসিপাল হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা কয়াকল্প মনা ফংলক্লবা ষ্টাফশিং ওকখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা কয়াকল্প ২০২২-২৩, ২০২৩-২৪ অমসুং ২০২৪-২৫ গী মকোক তাখ্রবা আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দির-প্রাইমারি হেলথ সেন্তরশিংগী ষ্টাফশিংবু ইকায় খুমবা উৎপগা লোয়ননা সার্তিফিকেট খুৎশিন্নখি।

ককচিং (এল)ঃ  দিষ্ট্রিক্ট লেবেল দি ব্রিফিং প্রোগ্রাম ওফ ইন্তরনেল কম্ম্যুনিতি রিছোর্স পার্সন রাউন্দ ৱান সি.আর.পি রাউন্দগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং

ফৌশুপাৎ লৈকাইদা লৈবা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তর ককচিংগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি মণিপুর ষ্টেট রুরেল লিভলিহুদস মিসন অমদি দিষ্ট্রিক্ট মিসন মেনেজমেন্ট য়ুনিত ককচিংনা পুন্না শিনবনি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা দিষ্ট্রিক্ট মিসন মেনেজর, এম.এস.আর.এল.এম তাওরেম জেমসনা হায়- খুঙ্গংদা লৈরিবা নুপীশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎনবা অমসুং শেনমিৎলোন হেন্না চাওখৎনবগী পান্দমদা দিন দয়াল অন্তোদয়া নেসনেল রুরেল লিভলিহুদ মিসন, মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়াতিরাজনা পায়খৎলিবা ফ্লেগসিপ স্কিমগী মনুং চন্না থৌরম অসি পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা ককচিং জিলাগী এদ্দিসনেল দিপ্যুতি কম্মিসনার, মণিপুর ষ্টেট কোওপরেতিভ বেঙ্ক ককচিং ব্রাঞ্চকী ব্রাঞ্চ মেনেজর চনম্বম উমাকান্টসু শরুক য়াখি।

রিমস (এল)ঃ লৈবাক শিনবা থুংনা এপ্রিল ১৪ দগী হৌদুনা ২০ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ফয়ার সেফতি ৱিক ২০২৫ গী শরুক অমা ওইনা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)না শিন্দুনা ঙসি ফয়ার সেফতি ৱিক ২০২৫ পাঙথোকখ্রে। খোঙথাং অসি হকশেলগী ওইবা তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুসনশিংদা খুদক্কী ওইবা মৈহৌ লাংপোক থোরকপা মতমদা করম্বা শেম শাদুনা লৈগদগে অমসুং ইশা ঙাকথোক্কদগে হায়বসিগী মতাংদা মীয়াম্বু নিংথিনা খঙনবা পায়খৎলকপনি। ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা হোস্পিতাল অসিগী জেনেরেল ও.পি.দি ব্লোক মমাংদা স্মোক দ্রিল অমসুং ফয়ার সেফতি দেমোন্ত্রেসন কয়াসু উৎখি।

ট্রষ্ট (এল)ঃ মণিপুরগী শকাইরবা অইবা খুরাইজম ফুলেন্দ্র সিংহগী মমিংদা ঈশৈ ইবা, ঈশৈ চাংদমবা অমসুং ম্যুজিক্কী লমদা হৈথোই শিংথোইবশিংদা চহি খুদিংগী মনা পীরগনি হায়রি। খুরাইজম ফুলেন্দ্র সিংহ মেমোরিয়েল ট্রষ্টকী ঙসি ঘরিদা পাঙথোকখিবা মীফমনা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। মনা অসি মথং থাগী ১০ দা খুৎশিন্নগনি।

ইবোতোম্বী (এল)ঃ লমদম অসিগী শক্নাইরবা ফোটোগ্রাফর ক্ষেত্রিময়ুম ইবোতোম্বী সিংহ মশাগী ময়ুম কৈশামথোং এলাংবম লৈকাই ইম্ফালদা লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৯৭ শুখ্রে।

মণিপুরগী অঙনবা মতমগী শকাইরবা ফোটোগ্রাফর অসি মণিপুরগী মহারাজ চুরাচন্দ সিংহগী ফোটোগ্রাফর ওইরমখি। মসিদা নত্তনা অকাশবানি ইম্ফালগী ওফিসিয়েল ফোটোগ্রাফরসু ওইরমখি।

এসসি ঃ সুপ্রিম কোর্টনা হায়রি- ৱাকফ এমেন্দমেন্টকী শেমদোক্লবা এক্টকী মতুংইন্না মে ৫ ফাওবা অনৌবা ৱাকফ এপ্লোইন্টমেন্ট অমত্তা লৌবা য়ারোই।

ৱাকফ এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০২৫ গী মখাদা ৱাকফ বোর্দ নত্রগা সেন্ত্রেল ৱাকফ কাউন্সিলদা অনৌবা এপ্লোইন্টমেন্টশিং মখা তাবা হিয়ারিং পাঙথোক্ত্রিবা ফাওবা থবক লৌরোই হায়বগী থাজবা কেন্দ্র সরকারনা পীখিবা অদুগী রাই ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা তাখি। চীফ জষ্টিস শঞ্জিব খনানা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হিয়ারিং অদু চথখিবনি। সুপ্রিম কোর্টনা কেন্দ্র সরকারদা মখোয়গী পাউখুম নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা পীরকবা খঙহনখি। পিটিসনগী মশিং য়ামনখিবনা বেঞ্চনা মরুওইবা কেস মঙা খন্দোক্তুনা কোর্টতা খন্ননবা খঙহনখি। লেমহৌরিবা কেসশিং অদুবুনা এপ্লিকেসন ওইনা লৌগনি। কেস অসিগী মখা তাবা হিয়ারিং মে ৫ দা অমুক হন্না খন্নগনি।

সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- লৈবাক অসিদা চথরিবা তোঙান তোঙানবা ওপরেসনশিংনা সি.আর.পি.এফনা চাউরবা থৌদাং লৌরি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিবু ঙাকনবা হোৎনবদা হৌজিক ফাওবদা সি.আর.পি.এফকী জৱান লিশিং ২,২৬৪ হেন্না থৱায় থাখ্রে।

মধ্য প্রদেশকী নিমুসতা পাঙথোকপা সি.আর.পি.এফ লিংখৎখিবগী ৮৬ শুবা কুমওন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়- কাশ্মীরদা তেরোরিষ্টশিংনা তংদু লৈতাদনবা হোৎনরকপশিং থেংননবা নত্রগা অৱাং নোংপোক লমদমদা শান্তি থমবা হোৎনবদা সি.আর.পি.এফনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। শ্রী সাহনা

হায়- লৈবাক অসিবু নক্সলাইট লৈতবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা কোৱ্রা বত্তাল্লিয়ন্না চাউরবা থৌদাং লৌরি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা গৃহ মন্ত্রিনা জৱানশিংদা গেলেন্টরি এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি। গৃহ মন্ত্রিনা পেরেদ অমা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা সাহিদ স্'লদা চত্তুনা লৈখিদ্রবা থৌনা ফরবা জৱানশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা মধ্য প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি ডাঃ মোহন যাদব অমসুং সি.আর.পি.এফকী দাইরেক্তর জেনেরেল জি.পি. সিংহ শরুক য়াখি।

বাইও ঃ লৈবাক অসিদা লৈরিবা ফ্রেস ৱাটরশিংগী বাইও দাইভর্সিতি য়োকখৎপগী খোঙজেল য়াংশিনহন্নবা পান্দমদা কেন্দ্রগী জল শক্তি মন্ত্রি সি.আর. পাতিলনা দিজিটেল প্লেটফোর্ম অমা ঙসি নিউ দিল্লিদা হৌদোকখ্রে।

নেসনেল মিসন ফোর ক্লিন গঙ্গাগী মখাদা ৱাইল্ড ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়ানা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা পোজেক্টশিংগী ফিভম মন্ত্রিনা সভাপতি ওইদুনা য়েংশিনখি। দিজিতেল প্লেটফোর্ম অসিনা গঙ্গা, কাবেরি, গোদাবরিনচিংবা লৈবাক অসিগী মরুওইবা তুরেলশিংগী মওং মতৌ, মসিগী বাইও দাইভর্সিতি অমসুং মসিবু কন্নবা হোৎনবদা তুরেল মপালশিংদা খুন্দারিবা মীয়ামগী থৌদাংশিং খঙবা ঙমগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

কাং ঃ অনিসুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবি শর্ম্ম মেমোরিয়েল লিগ কম নোক আউট কেন্দ্র ৱাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কৈশামথোংনা খুন্দ্রাকপমবু পাঞ্জল ২২-১৪ দা থোইখ্রে।

তুরনামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ নোংমাইজিং নুমিৎতা কৈশামথোংগা ওইনামগা শান্নগনি।

ফুটবোল (এল)ঃ চহি ১৩ মখাগী নুপামচাশিংগী ইন্টর ক্লব ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ইসোক এফ.সিনা ক্রাউবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা শঙাই হিরোসনা এন.বি.সি.এবু পাঞ্জল ২-১ দা অমসুং গোরখা এফ.এনা ৱাংগোই ফুটবোল এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

ক্রিকেটঃ ৩ শুবা এম.এন.সি.এ মেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মোদেল শিংজমৈ চীংঙামখানা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি ললাম্বুং মখোঙবু রন ১৫ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা পি.টি.সি.সি পাৎসোই পার্ট থ্রিনা ৱাই.য়ু.সি.সি ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলবু ৱিকেট ১০ দা, ত্রাউ ক্বাকৈথেলনা রুল মৈত্রমবু ৱিকেট ৫ দা  থোইখি।

ক্রিকেটঃ চহি ২৩ মখাগী অহানবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স ৱান ডে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউনা পি.টি.সি.সি পাৎশোইবু ৱিকেট ৬ তা থোইখি। অতোপ্পা মেটচশিংদা- থাউ থাংমৈবন্দনা সেদো থাংমৈবন্দবু রন ১৩৬ তা,

------